**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-07.2024)**

**বজেট (এল)ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা সংসদতা ঙসি শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী য়ুনিয়ন বজেট পুথোকখ্রে। এন.দি.এ. সরকারনা পুথোকপা হন্দক চহিগী বজেট অসিদা তোঙান তোঙানবা শেল থুমগী লমদা অহোংবা কয়া হাপচিনবগা লোয়ননা বিহার অমদি অন্ধ্র প্রদ্রেস রাজ্য অনিদা অখন্নবা শেলগী স্পিসিএল পেকেজশিং য়াওখি।

যুনিয়ন বজেট অসিদা হীরম ৯ দা হায়বদি, লৌউ শিংউ, থবক পীবা অমদি খুৎশা-হৈনবা, হ্যুমেন রিছোর্স অমদি সোসিএল জষ্টিসতা অহেনবা মীৎয়েং থম্বা, পোৎে-চৈ পুথোকপা, অবার্ন দিবলপমেন্ট, ইনর্জি সেক্যুরিতি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইনভোসন, রিছার্স অমদি দিবলপমেন্টনচিংবদা অহেনবা মীৎয়েং পীরি।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনা বজেট অসি পুথোক্লবা সভাদা হায়-কেন্দ্র সরকারনা লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিং, নুপীশিং, নহাশিং অমদি লৌমীশিংদা হেন্না অহেনবা শক্তি পীনবা হোৎনরি। মসিগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা নহাশিংদা থবক পীবা অমদি মখোয়বু খুৎশা-হৈহন্নবা পেকেজ কয়াসু বজেট অসিদা য়াওরি।

শ্রীমতি সিতারামননা হায়-অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী ওইনা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়েকারিবা অসাম অমদি লেন্দ স্লাইদনা শোকহল্লবা সিক্কিমদা কেন্দ্র সরকারনা মীৎয়েং চংদুনা রাজ্য অনি অসিদা অহেনবা শেনফম পীগনি। মসিগী মথক্তা অৱাং নোংপোক লমদমদা ইন্দিয়া পোষ্ট পেমেন্ট বেঙ্ককী ব্রান্স ১০০ হাংদোকপা লোয়ননা খুঙ্গংগী লমদা চাউখৎ থৌরাংগীদমক লুপা কোতি লাখ অনি লিশিং ৬৬ বজেট অসিদা য়াওরি হায়নসু ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি গরিফ কল্যান য়োজনা মখা তানা চহি মঙা শাংদোক্তুনা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৮০ রোমদা কান্নবা পীরগনি। বজেট অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি অমরোমদা নেচরেল ফার্মিংগী থবক পায়খৎহল্লগনি। বাইও ইনপুট রিছোর্স সেন্টর লিশিং ১০ রোম লিংলগনি।

মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিদা মহৈ মশিং, থবক পীবা অমদি খুৎশা হৈবগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৪৮ খাকলে। লৈবাক অসিগী মহৈ লোইশঙশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লিবা মহৈরোইশিংদা লুপা লাখ ১০ ফাওবগী লোন পীনবা বজেট অসিদা মীৎয়েং থম্লি। মহাকা হায়-খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি মীওই কয়াদা থবক পীননবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। মুদ্রা লোনগী শেনফম হৌজিক লুপা লাখ ১০ গী চাংদা পীরিবা অসি লাখ ২০ দা হেনগৎলগনি। প্রধান মন্ত্রি অৱাস যোজনাগী মখাদা লৈবাক অসিগী লাইরবা ইমুং কোতি অমরোমগী য়ুম শানবা লুপা কোতি লাখ ১০ খাক্লে।

অমরোমদা, ঙসি পুথোকখিবা বজেট অসিবু লৈবাক অসিগী লুচিংবা কয়ানা থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা মোদিনা হায়রি-কেন্দ্রগী বজেট অসি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা পীদুনা ভারতপু চাউখৎ লন্বীদা পুরকবগী বজেট অমনি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা মীওই কোতি কয়াদা থবক ফংহন্নবগী পান্দমদা হমপ্লোইমেন্ট লীঙ্ক ইনসেটিব স্কিম হৌদোক্লে। শ্রী মোদিনা হায়-বজেট অসিনা অনৌবা খুদোংচাবা কয়া, থবক ফংহনবা য়াওনা মশানা মশাবু থবক পীজনবগী খুদোংচাবা কয়া য়াওরি। মসিনা লৈবাক অসিবু হেন্না চাউখৎহনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

ঙসি পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেট অসিগী মতাংদা থবক্তী পোত্থারবা হান্নগী মনিপুর য়ুনিভরসিতি প্রোফেসার-এলাংবম বিজয়কুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা অসুমা হায়-বজেট অসিদা নহাশিংদা খুৎশা-হৈবগী লমদা ত্রেন্নিং পীনবগী অহেনবা শেনফম হাপ্লিবা অসি থাগৎনিংঙাই ওই। মরমদি, মীপুম খুদিংমকপু

সরকারনা থবক পীবা ঙমলোইদবা মরমনা খুৎশ-হৈহন্দুনা মীপুম খুদিংমক শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবা হায়বসি তঙাইফদে।

**বিজেপি (এল)ঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙসি লোক সভাদা পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেট অদুবু বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা তরামা ওক্লি।

দল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-বজেট অসিনা লৈবাক অসি চাউখৎপগী মায়কৈদা হেন্না খুমাং চাউশিলহল্লগনি। বজেট অসিনা লাইরবা মীয়াম, লৌমীশিং, নহারোলশিংগী ফিভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মসিনা লৈবাক অসিদা নহারোলশিংদা হেন্না থবক পীবা, খুৎশা-হৈবা অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংদা হেন্না শক্তি পীরগনি।

**ব্রোদকাষ্ট ঃ** তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোইবগা নুমিদাংগী পুং ৭ মিনিট ৫০ দগী হৌরগা পুংখয় অমগী ওইবা, ঙসি সংসদতা পুথোকখিবা য়ুনিয়ন বজেট অসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈগা উন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা অকাশবানি ইম্ফালগী চেন্নেলদা শন্দোকচগনি। অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপা খন্ন-নৈনবা অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী প্রোফেসার-চিংলেন মৈস্নাম অমদি সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অহোংশংবম মোবি অনিনা শরুক য়াগনি।

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থা ফাওবদা রাজ্য অসিদা উ চারা লাখ ৭০ রোম থানবা পান্দম থল্লি।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাই চিংকুশাবী লাইরেম্বী চিংদা এক পের মা কে নাম হায়বা স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপা ৭৫ শুবা বনমহোতসবকী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মালেমদা শাবগী চাং হেনগৎলকপা, ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা অহোংবা কয়া লাকপনা ঐখোয়

মীওইবনা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবা কয়া মায়োকরি। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়া অসিদগী ঙাকথোকসি হায়রবদি ঐখোয়না পাক শন্না উ চারা থাবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-লৈবাক অসিদা এক পের মা কে নাম হায়বা স্কিম অসিগী মখাদা উ-চারা কোতি ১৪০ রোম থানবা পান্দম থল্লি। বনমহোতসব অসি মীয়ামদা মরুওইনা মহৈরোইশিংদা উমং য়োকখৎপগী তঙাইফদবশিং অদু খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা ফিসরিজ মন্ত্রি-হৈখাম দিংগো, হিলস এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন-দিংগাংলুং গাংমৈ, এম.এল.এশিং, ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**বন্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্ম বিরেননা হায়রি-ইম্ফাল য়াইরিপোক লম্বী শেমনবগী ফন্দ লৈরে। অদুবু, ৱাক ওর্দর পীদবদগী থবক হৌবা য়াদবনি। ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-লম্বী অসি শেমবগী সেঙ্কসন লৈরে। অদুবু, ৱাক ওর্দর পীবগী প্রোসেসতা খুদোংচাদবা লৈবদগী লম্বী অসি শেম্বদা তপথবনি। ঠিকাদারশিংসু ৱাক ওর্দর য়াওদ্রবদি থবক শুবিয়ু য়াদে। সরকারনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমবা ৱাক ওদর পীনবা হোৎনরি। মীয়ামনা হৌজিক লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি হন্দোকপীয়ু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

পনবা য়াবদি, ফিভম ফৎত্রবা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী অসি শেম্বীনবা দাবী তৌদুনা ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অক্রুকো) না হৌকিবা থাংজ নুমিৎতগী লম্বী অসি মতম কক্তনা থিংজিনদুনা লাকখিবনি।

মসিনা মরম ওইরগা লন্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীরি।

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্যপাল অনুসিয়া উইকেগা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেজিস্ত্রারগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী হন্দক্তা হায়দোকখিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার লৌবগী পরিক্ষাগী ফল হায়দোকপদা বোতানি অমসুং ফিজিক্স সবজেক্টকী য়াওরক্তবদগী হৌজিক থোরক্লিবা চরাংনবা অসিগী মতাংদা খন্নখি। ভাইস চাঞ্চেল্লরনা থল্লকপা ৱাফমশিং রাজ্যপালনা মুন্না তারবা মতুংদা হীরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা ইনক্বারি কমিতি শেমদুনা থিজিন্নবা খঙহনখি।

**এসেমব্লি(এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী নৌনা শেল্লবা প্রেস এদভাইজরি কমিতিগী মীফম অমা ঙসি এসেমব্লি সেক্রেটরিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা কমিতি অসিগী নৌনা খল্লবা মেম্বর ৭ না শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা পোকফম পাউচেগী এদিটর-অরিবম রোবিন্দ্রো শর্ম্মাবু চেয়ারমেন অদুগা সনা লৈবাক পাউ-চেগী এদিটর-তাওরেম বিশ্বজিৎনা ভাইস চেয়ারমেন ওইনা খল্লে।

**ককচিং(এল)ঃ** লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর ককচিংনা শিনদুনা সেন্টর অসিগী নৌনা শাবা লাইরিক পাফম রিদিং কেবিন ঙসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

লাইব্রেরী অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা শঙ্গাবগী থৌরমদা খা মনিপুর কলেজ-ককচিংগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার য়ুমাম সুনিতিবালা, সেনিয়ার সিটিজন্স ফোরম-ককচিংগী প্রসিদেন্ট-নোংমাইথেম নিমাই সিংহনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**ফোক্স(এল)ঃ** ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) মনিপুর অমদি রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকা খুৎশমদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং খা খুনৌদা লৈবা লৌমীশিংদা সরকারনা লেপ্পা মমলদা য়ুরিয়া হার বেগ ২০০ রোম য়েন্থোকখ্রে।

**কেম্প(এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিনদুনা উখ্রুল জিলাগী সিনার কৈথৈদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা নুপী, অঙাং অমসুং অহল ওইরবা মীওই ৬০০ হেনবদা লায়েংখি অমদি টেষ্ট কয়া তৌখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা নোনে জিলাগী তুপুলদা লৈবা চাগোতলোং হায়স্কুলদা মতৌ করমা ভারত লান্মীদা চংগদগে হায়বগী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। মদুদা স্কুল অদুগী মহৈরোই ৭০ হেন্না শরুক য়াখি।

**গ্রাউন্দ(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী খোরিলবুং জাদোনং ভিলেজতা নৌনা শাবা শান্নবুং অমা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বম রাজকুমারনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। তুংদা, জাফৌ য়ুথ ক্লব অমদি খোরিলবুং অনিনা ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নখি।

**সফাই(এল)ঃ** সফাই কর্ম্মচারি সঙ্খ মনিপুর (এস.কে.এস.এম) না মখোয়না ওইরিবা ফিভম অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীৎয়েং চংবন্নবা সরকারদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

এস.কে.এস.এমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মমোরেন্দমঅদুগী মনুংদা য়াওরিবা ৱাফমশিংদি, মনিপুর ষ্টেট সফারি কর্ম্মচারি কম্মিসন লিংবা, লেবর কোর্টকী প্রিসাইদিং ওফিসার হাপ্পনচিংবা ৱাফম য়াওরি।

**ডেঃ** ঙসি অসি নেসনেল ব্রোদকাষ্টিং ডেনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা অকাশবানিগী দাইরেক্তর জেনরেল-মোসমি চক্ররবতিনা অকাশবানিনা লৈবাক অসিগী ব্রোদকাষ্টিংদা লৌরিবা থৌদাং অমদি কৎথোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা ই-পাউ য়াওনা মখল মথেল কয়াগী থৌরম শনে দাক্তুনা তাহল্লিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা নেসনেল ব্রোদকাষ্টরশিংনা মীয়ামগী সেবা মখা তানা তৌখিগনি হায়না পাউজেল পীরক্লি।

**জলঃ** নেসনেল জল মীসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোং কোতি ১৫ দা অফবা থকবা ঈশিং ফংহল্লে।

হৌখিবা চহি মঙা অসিদা পান্দম অসি ফংবা ঙমখিবনি। ইং ২০১৯ দগী ইমুং কোতি অহুম হেনবদা ঈশিং ফংহল্লম্বনি। ইং ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী খুঙ্গংগী য়ুমথোং খুদিংদা অফবা থকবা ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা মীসন অসি ইং ২০১৯ দা হৌদোকখিবনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা জল শক্তি মন্ত্রি-সি.আর. পতিলনা হায়-মীসন অসিনা মীয়ামদা অফবা ঈশিং পীবতা নত্তনা মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎহনবা ঙমহল্লে। হৌজিক ফাওবদা রাজ্য তরেৎ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুমগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা চাদা ১০০ অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমলে।